## রসিয়নশিংদা ভিজা পীবদা অথিংবা থম্বগী প্রপোজেল ওপোজ তৌরগনি

নিকোসিয়া, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
রসিয়ন সিটিজনশিংদা ভিজা পীবদা অথিংবা থন্নবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী মেম্বর ষ্টেট খরনা পুথোরক্কদৌরিবা প্রপোজেল অমা সাইপ্রসনা ওপোজ তৌরগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সকী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী পার্মেনেন্ট সেক্রেটরি কোর্নেলিয়ু কোর্নেলিয়ুসনা ষ্টেটনা চল্লাইবা সাইপ্রস ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি প্রপোজেল অদু ওগষ্ট ৩০ অমসুং ৩১ দা প্রাগতা ইয়ু ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা ইনফোর্মেল মীফম অমা পাঙথোকপা মতমদা বালটিক লৈবাকশিংনা পুথোরক্কনি হায়না থাজনরি।

কোর্নেলিয়ুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি গ্রিস অমসুং জমর্নিনসু প্রপোজেল অদুবু ওপোজ তৌরি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না প্রপোজেল অদু চপ চানা করি ওইরক্কদৌরিবগে হায়বগী মতাংদদি মাঙজৌননা হায়য়ু য়াখিদে।

মহাক্না হায়খি, সাইপ্রস অমসুং অতৈ ইয়ু ষ্টেটশিংদা রসিয়ন লোন ঙাঙবা এক্সপেট্রেদ কম্যুনিটি লৈরি। অসিগুম্বা থৌরাং অমা লৌখৎপা তারবদি ঐখোয়না রসিয়ন সিটিজনশিংবু মখোয়গী ইমুংশিং অমসুং মরুপ মপাংশিংগা কন্টেক্ট তৌনরগা অথিংবা পীরগনি। অসিগুম্বা ৱারেপ অসি মেরিট লৈ হায়না ঐখোয়না থাজদে।

মহাক্না মখা তারদুনা আইদিয়া অসি মমাঙদা য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলগী মতাংদা বালটিক লৈবাক অমনা প্রপোজ তৌখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং মদুবু মদুগী মায়োক্তা অকনবা রিএক্সনশিং লৈখি। চথোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎ অপন পীদবা হায়বসি ইয়ু মনুংদা চৎনহল্লিবনি। মরম অদুনা রসিয়ন ফেদরেসনগী সিটিজনশিংবু ইয়ুগী মেম্বর ষ্টেটশিংদা চৎপদা অথিংবা থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী প্রিন্সিপলশিংদা তাইওন্নবা ওইনা থোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## শ্রী লঙ্কাদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্লে, লৈবাক অসিদা চৎপদা খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে

কলম্বো, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
শ্রী লঙ্কাগী টুরিজম মিনিষ্টর হরিন ফর্নান্দো অমসুং হন্দক্তা টুরিজম এম্বেসিদর হাপখ্রবা হান্নগী ক্রিকেটর জয়া সুরিয়ানা হায়খ্রে, মদুদি থা কয়া পোলিটিকেলগী তংতাদবা ফিভম লৈরম্লবা মতুংদা শ্রী লঙ্কাদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লকখিবগা লোয়ননা ঈথৎ লৈবাক অসিদা চৎপদা খুদোংথীনিংঙাই ওইররোই। ফর্নান্দো অমসুং জয়াসুরিয়া ঈথৎ লৈবাক অসিগী টুরিজম চাওখৎহন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী অহমেদবাদ সিটিদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিবনি।

অহমেদবাদতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ফর্নান্দোনা হায়খি, মদুদি হৌজিক পোলিটিকেল ক্রাইসিস অদু লোইখ্রবসু শ্রী লঙ্কাগী অশেংবা শক্তম উৎতবা নেগেটিব পাউ তত্তনা শন্দোকপা অসি লৈবাক অসিদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং নেম্বগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমনি। শ্রী লঙ্কাদা হৌজিক মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্লে হায়বসি ঐহাক্না ইন্দিয়াগী মীয়ামদা থাজবা পীবা ঙম্মী। ইন্দিয়ন টুরিষ্টশিং লৈবাক অসিদা তরাম্না ওক্লি। ঈথৎ লৈবাক অসিগী ফজরবা সমুদ্র মপানশিংদা নত্তনা টুরিষ্টশিংদা অহেনবা কয়া ঐখোয়না ওফর তৌবা ঙম্মী।

জয়াসুরিয়ানা হায়খি, মদুদি শ্রী লঙ্কানা অহেনবা টুরিষ্টশিংগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা অনৌবা এভেন্যুশিং থীরি। রিলিজস টুরিজম চাওখৎহন্নবগী লম্বীশিং ঐখোয়না থিরি। মসিগীদমক্তা ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা স্পিরিচুয়েল সেন্টরশিংগা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নরি হায়না শ্রী লঙ্কাগী হান্নগী কেপ্টেন অসিনা ফোঙদোকখি।

জয়াসুরিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পুদুচেরি অমসুং শ্রী লঙ্কাগী মরক্তা হান্নদগী ফেরি সার্ভিস অমা এপ্রুভ তৌখ্রবনি। মদু চয়োল মরিগী মনুংদা ওপরেট তৌবা হৌরগনি।

## য়ুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিংগী এক্সপোর্টকী থবক য়ুএন চীফনা য়েংশিনখ্রে

ইষ্টানবুল, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা ইষ্টানবুলদা চৎতুনা য়ুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিং ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা এক্সপোর্ট তৌনবা জোইন্ট কো ওর্দিনেসন সেন্টর (জেসিসি) না হোৎনরিবশিং য়েংশিনখ্রে।

মহাক্না মারমারা সিদা লৈরিবা বেসেল অমবু ইন্সপেক্সন তৌরিবা জেসিসিগী টিমশিং অদুবু থাংজনুমিত্তা ভিজিট তৌখি অমসুং ইন্সপেক্সন প্রোসেসকী মতাংদা মখোয়না মঙোন্দা ব্রিফ তৌখি।

জেসিসি সেন্টরদা জেসিসিগী পর্সনেলশিং অমসুং মেদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা গুটরেজনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াদগী চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অমদি ফর্টিলাইজরশিং হেন্না মপানদা থাদোকপা হায়বসি কম্মোদিটি মার্কেটশিংগী ফিভম ফগৎহনবা অমদি কঞ্জুমরশিংগীদমক্তা পোৎচৈশিংগী মমল হন্থহনবদা য়াম্না মরু ওই। পেকেজ দিল অসিগী অতোপ্পা শরুক অমদি অথিংবা থমখ্রবা রসিয়াগী চিঞ্জাক্কী পোথোকশিং অমদি ফর্টিলাইজরবু মালেমগী মার্কেটশিংদা অয়েৎ অপন লৈহন্দনা ফঙহনবা অসিনি হায়না পল্লদুনা গুটরেজনা হান্না য়ানরবা অদুগা হৌজিক ফাওবা ইম্প্লিমেন্ট তৌদ্রিবা খোঙথাং অমা ওইনা রসিয়াদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং এক্সপোর্ট তৌবা হৌবগী ইঙ্গিৎ পীখি।

মালেমদা এক্সপোর্ট তৌরিবা হৱাই চেঙৱাই অমদি ফর্টিলাইচরশিংগী অয়াম্বা শরুক্তি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী পোথোকশিংনি। হৌখিবা জুলাইদা য়ুএনগী মীৎয়েং মখাদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগা লোয়ননা টর্কিনা খুৎয়েক পীখিবা মরু ওইবা দিল অমগী মখাদা য়ুক্রেনগী অহানবা হৱাই চেঙৱাইশিং থন্না য়াওবা জহাজ অদু হৌখিবা ওগষ্ট ৩ দা ইষ্টানবুলগী বোস্ফোরস ষ্ট্রেট ফাওরগা চৎখি।

জেসিসিগী দেটা মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা য়ুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিং ট্রান্সপোর্ট তৌবগী থবকশিং অদুদা টন ৬০০,০০০ হেনবগী কার্গো পুবা য়াবগী কেপাসিটি লৈবা জহাজ ৪৩ য়াওবা য়াবগী অয়াবা পীখ্রে। মালেম পুম্বদা চিঞ্জাক্কী মমলশিং কা হেন্না ৱাংখিবগা লোয়ননা দিল অদুবু মায় পাক্না ইম্প্লিমেন্ট তৌবা হৌখিবা অসি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী এক্সপোর্টশিংগী মীপাল তাংলিবা লৈবাক কয়াগী ওইনদি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমা ওইরি।

# পুটিনগী মীচং রাইট-ৱিং আইদিওলোগ দুগিনগী মচানুপী কার বোম এটেক্তা শিরে

মোস্কো, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা নকশিন্নবা রাইট-ৱিং আইদিওলোগ অমগী মচানুপী মোস্কো সিটিগী মনাক্তা চথুখিবা কার বোম এটেক অমদা শিখ্রে। মশাগী চহী ২৯ শুরবী দরিয়া দুগিন মোস্কো সিটিগা নক্কবা লম্বী অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা শিখ্রে হায়না রসিয়াগী ইনভেষ্টিগেটিব কম্মিটিনা ফোঙদোকখি।

কম্মিটি অসিনা হায়রি, মদুদি পুটিনগী ব্রেননি হায়না খঙনরবা মহাক্কী অপোকপা অলেকজেন্দর দুগিন এটেক অদুগী টার্গেট ওইরম্বা য়াই হায়না রিপোর্ট খরনা ফোঙদোক্লি।

অলেকজেন্দর দুগিন রসিয়াগী মশক নাইরবা অল্ট্রা-নেসনেলিষ্ট আইদিওলোগ অমনি। অলেকজেন্দর দুগিন অমসুং মহাক্কী মচানুপী দারিয়া দুগিনা মোস্কোগা নক্ননা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেল অমদা শরুক য়াখি। মদুদা ফিলোসোফর অসিনা লেকচর অমা পীখি।



রসিয়ন পোইট অলেকজেন্দর পুস্কিন্না মতম অমদা লৈখিবা জখারোবা ষ্টেটতা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেল অদু আর্ট লভরশিংগী ওইবা ফেমিলি ইভেন্ট অমনি হায়না লৌনৈ। মপা মচা অনী থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা মখোয়না তোংলকখিবা কার অদুমক্তদা তোংদুনা ফেষ্টিবেল মফম অদু থাদোক্লবা লেপ্লম্বনি। তৌইগুম্বসুং দুগিন্না অরোইবা মীকুপতা তোঙান্না চৎননবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

টেলিগ্রামদা থাগৎপা ভেরিফাই তৌদবা ফুটেজতা থৌদোক থোকফমদা লৈরিবা মৈ চাক্লবা গাড়ী অমদা ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিং চঙশিল্লকপদা দুগিন্না থম্মোয় শোক্না য়েংবগী শক্তম উবা ফঙখি। দারিয়া দুগিন্না বোলসিএ বিয়াজিমি ভিলেজকা নক্ননা থোকখিবা থৌদোক মফম অদুদা শিখিবনি হায়বসি ইনভেষ্টিগেটরশিংনা কনফার্ম তৌখি। মখোয়না হায়খি, মদুদি কার মখাদা প্লান্ট তৌখিবা এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমা পোকখায়খি অমসুং গাড়ী অদু মৈ চাকখি। ফোরেন্সিক অমসুং এক্সপ্লোসিব এক্সপার্টশিংনসু ইনভেষ্টিগেসন চথুখি।

থৌদোক অদুদা য়ুক্রেন চেন্নৈ হায়বা ৱাফমশিং য়ুক্রেনিয়ন ওফিসল অমনা রিজেক্ট তৌখ্রে। প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগী এদভাইজর অমা ওইরিবা মাইখাইলো পোদোলাক্না হায়খি, মদুদি বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু য়ুক্রেনগা মরী অমত্তা লৈনদে, ঐখোয় ক্রিমিনেল ষ্টেট অমা নত্তে। অমরোমদা, রসিয়ন ফেদরেসনদি ক্রিমিনেল ষ্টেট অমনি।

টেলিগ্রাম পোষ্ট অমদা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন মারিয়া জাখারোবানা হায়খি, মদুদি এটেক অদু য়ুক্রেনগা মরী লৈনরম্লবদি থৌওং অদু ষ্টেট টেরোরিজমনি হায়না খন্নগনি। অলেকজেন্দর দুগিন মশামক ষ্টেট ওফিসল অমা ওইদ্রবসু মহাক রসিয়ন পোলিটিক্সতা সিম্বোলিক ফিগর অমা ওইরি। মহাক্কী এন্টি-ৱেষ্টর্ন, অল্ট্রা নেসনেলিষ্ট ফিলোসোফিনা রসিয়াদা দোমিনেন্ট পোলিটিকেল আইদিওলোজি ওইরকখি অমসুং প্রসিদেন্ট পুটিনগী লম পাকথোক চাওথোকপগী ফোরেন পোলিসি অসি মদুদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়না লৌনরি। মশক নাইরবা জর্নেলিষ্ট অমা ওইরিবা দারিয়া দুগিনা অসি রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী খোঙথাং অসিবু ফোঙনা শৌগৎখিবা মীশক্লি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ুএস অমসুং য়ুকেগী ওথোরিটিশিংনা মহাক্কী মায়োক্তা অথিংবা কয়া লাউথোকখি। মহাক্কী অপোকপা অলেকজেন্দর দুগিনসু রসিয়ানা ক্রিমিয়া লৌশিনবদা চেন্নবগীদমক কুমজা ২০১৫ দা য়ুএসনা অথিংবা থমখি।

## জপাননা চাইনাদা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্বা মিসাইলশিং পান্লি

টোকিও, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
চাইনাগা চাংদম্নবদা মিসাইলগী গেপ অমত্তা লৈহন্দনবগীদমক জপানিস গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী টাই ১২ সর্ফেস-টু-শিপ মিসাইলশিংগী রেঞ্জ য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ১০০০ ফাওবা শাংদোকহনবগা লোয়ননা মিসাইলশিং অসি বেসেলশিং অমসুং এয়রক্রাফটতগী লোঞ্চ তৌরগা গ্রাউন্দগী টার্গেটশিংদা ষ্ট্রাইক তৌগদবা মওংদা মোদিফাইদ তৌবা পান্মী হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা জপানিস পাউচে য়োংমিওরিনা রিপোর্টনা অমদা হায়, মিসাইল অদুগী ইম্প্রুব তৌরবা গ্রাউন্দগী লোঞ্চ তৌগদবা ভর্সন অমা হান্না থৌরাং তৌখিবা মতমদগী চহী অনী ঙনখৎনা কুমজা ২০২৪ দা সার্ভিসতা শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না পান্নরি।

টোকিওনা মমৈথংদা অসিগুম্বা মিসাইল লিশিং অমা হেন্না নানসৈ ঈথৎতা দিপ্লোই তৌবা পান্মী হায়না পাউচে অদুনা ক্লেম তৌরি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি মিসাইলগী থৌরাং অদু টাইৱান কন্টিঞ্জেন্সি ইনিসিএটিব অমগী শরুক্নি। করিগুম্বা টাইৱান অমসুং বৈজিংগী মরক্তা কনফ্লিক্ট অমা থোক্লক্তুনা ইমর্জেন্সিগী ফিভম অমা লাকপা তারবদি নান্সৈগী ঈথৎশিংদা এটেক



বেজ অমা লিংনবগী এগ্রিমেন্ট অমা হৌখিবা দিসেম্বরদা জপানগী সেল্ফ-দিফেন্স ফোর্সেস (এসদিএফ) অমসুং য়ুএস মিলিটরিগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখি।

লৈবাক অসিগী ক্যদো ন্যুজনা জপানিস ওফিসলশিং পল্লদুনা হায়রি, মদুদি করিগুম্বা প্লান্ট অদু হৌনবী মতুং ইন্না অয়াবা পীবা তারবদি নান্সৈ ঈথৎতা লৈবা টেম্পররি এটেক বেজ অমদা য়ুএস মেরিনশিং থমগনি। করিগুম্বা টাইৱানদা চাইনানা মিলিটরি থ্রেট অমা পীরকপা মতমদা এসদিএফনা ঈথৎ অদুদা লৈরিবা য়ুএস মেরিনশিংদা অহেনবা টুপশিংগী মওংদা মতেং পাঙগনি।

অসিগুম্বা কাউন্টর ষ্ট্রাইক কেপেবেলিটিশিং অসিবু অচুম্বা খোঙথাংশিং ওইহন্নবগীদমক্তা জপানগী রুল্লিং লিবরেল দিমোক্রেটিক পার্টিনা মমাঙদা চহী অসিনা লোইরকপা ফাওবগী মনুঙদা হৌজিক লৈরিবা নেসনেল সেক্যুরিটি ষ্ট্রেটেজি রিভাইজ তৌবগা লোয়ননা পার্সেল ওইনা ক্লাসিফাইদ তৌনিংবগী ইঙ্গিৎ পীখ্রবনি।

## য়ুক্রেনদা লৈরিবা রসিয়াগী লান্মী কয়া কেমিকেল পোইজনিংগা মরী লৈননা হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে

মোস্কো, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনদা চথুরিবা মিলিটরি ওপরেসনদা রসিয়াগী লান্মী কয়া শাথিরবা মওংগী কেমিকেল পোইজনিং থোক্তুনা হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।



সার্ভিসমেনশিংদগী লৌবা সেম্পলশিংদা আর্টিফিসিএল ওরিজিন ওইবা ওর্গানিক পোইজন মখল অমা ওইরিবা বোটুলিনম টোক্সিন টাইপ বিগী ট্রেসশিং থেংনখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি অমসুং কিভপু কেমিকেল টেররিজম চথৈ হায়না মরাল শীখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, জুলাই ৩১ দা জপোরিজিয়া রিজনগী মনুং চনবা বাসিলেবকা ভিলেজকা নক্ননা দিপ্লোই তৌরিবা রসিয়ন ট্রুপশিং শাথিবা মওংগী পোইজনিংগী খুদম চাংদমশিংগা লোয়ননা হোস্পিটলাইজ তৌখি।

দোনবাষ্ট অমসুং অতৈ মফমশিংদা চথুখিবা লানফমশিংদা থংন-থংননা মায়থীবা কয়া নঙখিবদগী জেলেন্সকি রেজিম্না রসিয়ন পর্সনেল অমসুং সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা টোক্সিট সবষ্টেন্সশিং শীজিন্নরগা টেররিষ্ট এটেকশিং চথবগী অয়াবা পীখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মোস্কোনা লান্মীশিংদুগী সেম্পলশিংদা পাঙথোকখিবা লেবোরিটরি টেষ্টশিং অদু ওর্গনাইজেসন ফোর ড প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্স (ও পি সি দব্লিয়ু) দা থাননবা থৌরাং তৌরি। মিরাকল পোইজনিনি হায়না তোইনা হায়নরিবা বোটুলিনম টোক্সিট অসি হৌজিক ফাওবদা সাইন্সতা খঙনরিবা খ্বাইদগী টোক্সিট ওইবা বাইওলোজিকেল সবষ্টেন্সশিংগী মনুংদা অমনি।

ক্লোষ্ট্রিদিয়ম বোটুলিনম বেক্তরিয়ানা পুথোকপা টোক্সিন অসিনা এসিটিলকোলিন ন্যুরোট্রান্সমিটর থাদোকপদা অথিংবা পীবদগী মসল পেরেলাইসিস থোকহল্লি। বোটুলিনম টোক্সিন টাইপ এ হৌখিবা মতম কয়া অসিদা য়াম্না পীকপা দোজশিংদা মেদিসিন অমা ওইনা মরু ওইনা ওভর এক্তিব মসল মুভমেন্টনা থোকহনবা দিসওর্দরশিং লায়েংবদা শীজিন্নদুনা লাক্লি।

মসি কোস্মেটোলোজিদা তেনশিল্লবা মমিং বোটোক্স হায়বগী মখাদসু খঙনরবনি। অদুম ওইনমক শুংবা অমদি দিষ্ট্রিব্যুসনদা লাইবনা মরম ওইদুনা বোটুলিনম টোক্সিন অসি বাইওৱেপন অমা ওইনা অচৌবা থ্রেট অমা ওইদুনা লৈরি। টোক্সিন অসিগী ফেটেলিটিগী চাংসু ৱাংই।

## পাকিষ্টানগী টিভি চেন্নেলশিং ইমরান খানগী স্পিচ লাইভ টেলিকাষ্ট তৌবা থিংখ্রে

ইস্লমাবাদ, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী স্পিচশিং লাইভ টেলিকাষ্ট তৌবদা পাকিষ্টান ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া রিগ্যুলেটরি ওথোরিটি (পেমরা) না খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে। ইমরান খাননা ষ্টেট ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংদা থ্রিটন তৌখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি হায়না জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।



পেমরানা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা ইস্যু তৌখিবা নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না ইমরান খানগী স্পিচশিং পেমরাগী রুলশিং ফোঙনা ভাইওলেট তৌই। পেমরানা মখা তানা হায়খি, খানগী স্পিচশিং মরু ওইনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ১৯ ভাইওলেট তৌই। শুপ্নগী হান্না রেকোর্ড তৌরবা স্পিচশিংদমক নীংথিনা মোনিটর তৌবগা লোয়ননা এদিটরিএল কন্ট্রোলগী ফিভম মখা পোন্না ব্রোদকাষ্ট তৌবা য়াহনগনি হায়না পেমরাগী অনৌবা নোটিফিকেসন অদুদা পনখি।

পেমরানা ইস্যু তৌখিবা লমায় তরুক্কী নোটিফিকেসন অমদা ইমরান খাননা মহাক্কী স্পিচশিং অমসুং নেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা পনখিবা ৱারোলশিংদা য়ুম্ফম য়াওদনা মরাল কয়া লেপ্তুনা শীরি অমদি মহাক্কী স্পিচশিংদা অতাবশিংগী ৱাখলদা হঙ্গৈাই তুক্কৎচবগী ৱাখল্লোন শন্দোকপগী মমি তাই হায়না পনখি। পেমরাগী মতুং ইন্না অথিংবা অদু পেমরা ওর্দিনান্স ২০০২ গী সেক্সন ২৭ গী মখাদা থল্লিবনি। পেমরাগী নোটিফিকেসন অদুদা ইস্লামাবাদকী এফ ৯ পার্কতা খাননা পীখিবা স্পিচ পনখি।

নোটিফিকেসন অদুনা হায়রি, মদুদি পিটিআইগী চীফনা পীখিবা ৱারোলশিং অদু লো এন্দ ওর্দর মেন্টেইন তৌবদা খুদোংচারোইদবা ৱারোলশিংনি। মহাক্না সিটিজনশিংবু ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং ওফিসারশিংগী মায়োক্তা ইরাং হৌনিংবগী ৱাখল পোকহল্লি।

নোটিফিকেসন অদুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি হান্নগী পিএম অসিগী হেদ স্পিচ অদু সূ মোটু কেস অমদা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ভর্দিক্কী মায়োক্তনি। ইমরান খানগী স্পিচতা য়াওরিবা ৱাহৈ ৱাতাশিং লাহোর হায় কোর্টকী ভদিক্তকী মায়োক্তসু ওই। দিরেক্তিবশিং অসিবু ইন্দবা তারবদি অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু পেমরানা ন্যুজ চেন্নেলশিংদা ৱার্নিং তৌখি। পেমরাগী নোটিফিকেসন অদুদা ওগষ্ট ২০ দা ইমরান খাননা উর্দু লোনদা পীখিবা স্পিটচতগী লৌখৎপা ৱাহৈ পরেং খরসু য়াওখি। হায়রিবা মীয়ামগী মীটিং অদুদা জজ অমা অমসুং টোপ পুলিস ওফিসল অনীবু কিহনবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা এন্টি-টেররিজম এক্ট (এটিএ) গী মখাদা ইমরান খানগী মায়োক্তা এফআইআর অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোক্লি।

## জর্মন চাঞ্চেলর সোলস ইনর্জিগী ৱারী শান্নবা কানাদা পাঙখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
জমর্নিগী চাঞ্চেল্লর ওলাব সোলস অমসুং ভাইস চাঞ্চেল্লর রোবর্ট হাবেক ইনর্জিগী মতাংদা ৱারী শান্নবগীদমক নোংমাইজিং নুমিত্তা কানাদা পাঙখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা মখোয়গী খোঙচৎ অদুগী মরু ওইবা পান্দমদি ক্লাইমেট অমসুং ইনর্জি সেক্তরশিংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা কো ওপরেসন হেনগৎহনবনি। অদুম ওইনমক কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদোগা ৱারী শান্নবদা মখোয়না য়ুক্রেননা রসিয়াগী মায়োক্তা শোক্নরিবা লানদা কিভতা পোলিটিকেল, ইকনোমিক অমসুং মিলিটরি সপোর্ট পীবগী ৱাফমদসু মীৎয়েং চঙগনি। লোয়ননা চাইনাগা মরী লৈনবা দিল্লিংশিংগী মতাংদসু খন্ন নৈনগনি।

ইকনোমি অমসুং ইনভাইরনমেন্টগী ব্রিফসু য়াওবা হাবেক অমসুং সোলসকী খোঙচৎ অদুদা অহানবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মোন্ট্রেলদা পল্লগা ট্রুদোগা মহাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। মদুগী মতুংদা মখোয় অনী টোরেন্টো পাঙগনি অমসুং মফম অদুদা সোলস, হাবেক অমসুং ট্রুদোনা জর্মন-কনাদিয়ন কনফরেন্স অমদা পুন্না শরুক য়াগনি। চাঞ্চেল্লর অমসুং ভাইস চাঞ্চেল্লরগী খোঙচৎ অদুদা বিজিনেস লিদর কয়াগী দেলিগেসন অমসু লোইনরি। অরোইবদা সোলস অমসুং হাবেক্না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা ন্যুফান লেন্দগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা ষ্টেফেনবিল টাউনদা চৎতুনা খোঙচৎ অমা চৎকনি অমসুং খোঙচৎ অমা চৎতুনা হাইড্রোজেন টেক্নোলোজিশিং অমসুং হাইড্রোজেন সপ্লাই চেনশিং ফগৎহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়বগী ইঙ্গিৎসু উৎকনি।

মখোয়না লম অসিদা এগ্রিমেন্ট অমসু খুৎয়েক পীনরগনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী এন এস দব্লিয়ুদা মঙ্কিপোক্স শন্দোরকপা হেনগৎলকপদগী ৱার্নিং তৌখ্রে

সিদনি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দব্লিয়ু) ষ্টেটতা মঙ্কিপোক্সকী লোকেল ট্রান্সমিসন কেস অমা থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না অসিগী লাইওংশিংগীদমক চেকশিন্না অমদি মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী হেল্‌ঠ ওফিসলশিংনা রেসিদেন্সশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এন এস দব্লিয়ুদা মঙ্কিপোক্সকী কেসশিংনি হায়না আইদেন্টিফাই তৌরিবা কেস ৪২ গী মনুংদা কেস অমদি ষ্টেট অসিদা থেংনবা লোকেল ট্রান্সমিসন অমনি হায়বসি কনফার্ম তৌরে।

এন এস দব্লিয়ুগী হেল্‌ঠ প্রোটেক্সনগী একজিক্যুটিব দিরেক্তর ডাক্তর রিচার্দ ব্রুম্না হায়খি, মদুদি হন্দক্তা কনফার্ম তৌখিবা কেস অসিনা রিস্ক ৱাংবা অতৈ লৈবাকশিংদা চৎলুবা নত্ত্রগা চৎখিদবা ওইরবসু মঙ্কিপোক্সকী লাইওংশিংবু খঙদোক্লবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈবা অসি য়াম্না মরু ওই হায়বা উৎলি।

হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না মঙ্কিপোক্সকী লাইওংশিং মহৌশানা উনশাগা কন্টেক্ট তৌনরবা মতুং নুমিৎ ১৪ নি ফাওবগী মনুংদা উৎথোকপা হৌই। লায়না অসিগী লাইওংশিংদা কোক চিকপা, লাইহৌ হৌবা অমসুং হকচাং চিক নাবা অমদি জেনিটেল রিজনদা হাক্কৎচবা নত্ত্রগা অনাবা ফাওনা খামহৎলকপা য়াওরি। মথক্তা পল্লিবা লাইওংশিং অসি লোইনরবা মীওইশিংনা অতৈ মীওইশিংগা শম্নরোইদবনি।

## মুন জে-ইনগী য়ুমগী মনাক্তা রেল্লি পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লগনি



সিওল, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনগী য়ুমগী অকোয়বদা রেল্লি পাঙথোকপদা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী অথিংবা থল্লগনি। প্রোটেষ্ট কয়াগী মরক্তা প্রসিদেন্সিএল সার্ভিসনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী গার্দ জোন চাও-থোকহনখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলনা সেক্রেট সার্ভিসতা নেসনেল এসেমব্লিগী স্পিকর কিম জিন-পিওলগী সজেসন অমগী মতুং ইন্না হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং হেন্না কনশিলহন্নবা ওর্দর তৌখ্রবা মতুংদা কেপিটেল সিওলদগী খা নোংপোকলোমদা কিমি ৩১০ রোম লাপ্না য়াংসানদা লৈবা মুনগী য়ুমদগী মিটর ৩০০ গী রেদিএস মনুংদা রেল্লি পাঙথোকপদা অথিংবা থম্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

চহী মঙাগী টার্ম অমা লোইরবা মতুং মুননা হৌখিবা মেদা ওফিস থাদোকখিবদগী মহাক্না লৈবাক অসিবু চল্লাইখিবগী মওং য়ানীংদ্রিবা রাইট-ৱিং প্রোটেষ্টরশিং অমসুং য়ুট্যুবরশিংনা অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং নাইদনা মহাক্কী য়ুমগী অকোয়বদা লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নদুনা দেমোন্সট্রেসনশিং চথুদুনা লাকখি। হৌখিবা চয়োলদা মুনগী য়ুমগী মমাঙদা বোক্স কট্টর অমগা লোয়ননা থ্রিতন তৌখিবগীদমক প্রোটেষ্টর অমা ফাখি।

সেক্যুরিটি সার্ভিসনা ফোঙ-দোকখিবদা ঐখোয়না হান্নগী প্রসিদেন্ট মুনগী প্রাইভেট রেসিদেন্সকী অকোয়বদা লৈবা গার্দ জোন হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লে। থৌরাং অসি দেমোন্সট্রেসনশিং অমসুং রেল্লিদা ফেক গনশিং অমসুং বোক্স কট্টরশিং ফাওবা শীজিন্নবা উরকপদগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং হেন্না চেৎশিলহনবা মথৌ তাই হায়না খন্নরকপগা লোয়ননা লৌখৎখিবনি।

সার্ভিস অসিনা এরিয়া অদুদা ভিটিজরশিংবু ইন্সপেক্সন তৌবা অমদি ট্রাফিক কন্ট্রোলগী থবকসু কনখৎনবা থৌরাং তৌরি। য়ুননা মুনগী সেক্যুরিটি হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌরক্লিবসি লো এপ্রুভেল রেটিং মরক্তা নেসনেল য়ুনিটি প্রমোট তৌনবা লৌখৎলকপা থৌরাংনি হায়না লৌনরি।

## নোং কন্না চুবদগী পুং ২৪ গী মনুংদা পাকিষ্টানদা মীওই ৩৬ শিখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুং অসিদা কুমগী নোং কন্না চুবদগী মফম কয়াদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাওশিং অমদি চীং নিংখায়বনচিংবা থৌদোকশিং থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩৬ শিখ্রে অমসুং ১৪৫ অশোক অপন নঙলে হায়না নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এন দি এম এ) না ফোঙদোরক্লি। এন দি এম এনা রিলিজ তৌবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা নোংগা মরী লৈননা থোকখিবা থৌদোক কয়াদা শিখিবশিংদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অঙাং তরেৎ অমসুং নুপী মঙা য়াওখি।

মীওই ১৮ শিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই ১২৮ অশোক অপন নঙখিবা লৈবাক অসিগী খা থংবা সিন্দ প্রোভিন্সনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং নঙবা লমদম ওইখি। মসিগী মথংদা মীওই ১১ শিদুনা অৱাং নোংচুপ থংবা খাইবর পক্তুনখুৱা প্রোভিন্সনা চৈথেং খ্বাইদগী চাওনা নঙলিবা অনীশুবা রিজননি অমসুং মীওই তরেৎ শিখিবা নোংপোক থংবা পঞ্জাব প্রোভিন্সনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং নঙখিবা অহুমশুবা ষ্টেটনি।

রিপোর্ট অদুনা হায়রি, মদুদি নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা য়ুম ২৭,৮৭০ মাঙ তাকখ্রে। পাকিষ্টানদা হৌখিবা জুনগী ময়াই থংবা শরুক্তগী চুরকখিবা কুমগী নোংনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং নুপী ১৫০ অমসুং অঙাং ২৬৩ য়াওনা পুন্না ৭২৮ শুরে। অশোকপশিংগী মশিংনা পুন্না ১২৯১ নি হায়না এন দি এম এনা রিপোর্ট অদুদা পনখি।



রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ওইনা পুন্না য়ুম ১১৬,৭৭১, থোং ১২৯ অমসুং দুকান ৫০ অমাঙ অতা থোকখ্রে। ঈচাওগী চৈথেং নঙলবা মফমশিংদা এন দি এম এ, অতৈ গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসন, ভোলন্টিয়ারশিং অমসুং নন-গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা রেস্ক্যু অমসুং রিলিফকী থবক চথুরি।

পাকিষ্টান আর্মিগী মেদিয়া ৱিং ওইরিবা ইন্টর-সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (এসপিআর) গী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না আর্মি ট্রুপশিং সিন্দ অমসুং মসিগী কেপিটেল করাচিগী ঈচাওগী চৈথেং নঙলবা মফমশিংদা ফ্লদ রিলিফ ইক্বিপমেন্টগা লোয়ননা য়ৌশিনখ্রে।

আর্মিগী রেস্ক্যু টিমশিংনা সিন্দগী খ্বাইদগী চৈথেং নঙলবা মফমশিংদা ঈশিং চিথোকপা অমদি রসন য়েন্থোকপগী থবক চথুদুনা লাক্লি। করাচি অমসুং সিন্দগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা মখা তানা নোং লেপ্তুনা চুদুনা ঈচাও থোকহনবগা লোয়ননা ইমর্জেন্সিগী ফিভম লাকপা মতমদা চঙশিন্ননবা রিজার্ব রেস্ক্যু টিমশিংসু মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরি।